# ত্রিপুরাদা লৈরিবা ব্রুশিংগী পীথোকপম থোকপা শেনফমশিং অমদি চেঙ পীথোকপীনবা গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে



নোর্থ দিষ্ট্রিক্ট, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সি): ত্রিপুরাগী কঞ্চনপুর সব দিবিজনদা চঙজফম লৌরিবা ব্রুশিংনা মখোয়গী পীথোকফম থোকপা শেনফমশিং অমদি মথৌ তাবা চেং অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা ত্রিপুরা গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে হায়রি।

মিজোরাম ব্রু দিসপ্লেস পিপল ফোরম (এম বি দি পি এফ) কী জেনরেল সেক্রেটরি ব্রুনো মশানা হিরম অসিগা মরী লৈননা নোর্থ দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা অঙ্গবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোল অদুগী মতুংইন্না মমাং চহীগী জানুৱারী থাদগী হৌরগা হন্দক চহীগী জানুৱারী থা ফাওবগী ওইনা ময়ুম মকৈ লৈজদ্রবা ব্রুশিংদা গভর্নমেন্টনা পীগদবা শেনফমশিং পীথোক্তনা লৈরি। মসিগী মথক্তা মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদগী হৌরগা লৈঙাক্লা মিজোরামদগী ষ্টেট অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ব্রুশিংদা পীফম থোকপা চেংশু পীরকখিদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাফমদা তারে। অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা হিদাক লৈরগা চানবা শেন লৈতবনা মরম ওইরগা ব্রুশিংগী মরক্তা অশি অনা থোকপা হৌখ্রে। মসিদা নত্তনা মীরোল্লবী নুপী অমদি অপীকপা অঙাং চেল্লিবী মমা ওইবী কয়াসু মরাং কায়না চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে। পীক্লিবা অঙাংশিং স্কুলদা থাদুনা মহে তমহনবা ঙমদ্রে। হান্না স্কুল কাদুনা মহে তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনসু মিদ টর্মগী ওইবা ফি অমদি এগজাম ফি থিদোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা এগজামশিংদা শরুক য়াবা য়ারোইদবগী ফিভম অমদা লাক্লে হায়রি।

অমরোমদা ব্রুনো মিস্রানা ঙসি পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খিবদা, মিজোরামদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ত্রিপুরাদা লৈরিবা ব্রুশিং ষ্টেট অসিগী মপুঙ ফাবা সিটিজন অমা ওইনা লৌশিল্লগনি হায়না ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা ঙল্লিঙৈ মতমদা লাউথোকখিবগা লোয়ননা হান্না লৈরম্বা ষ্টেট অসিগী সিটিজনশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং ব্রুশিংগী ওইনা ফংহনগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থেরাকপা লৈত্রি। ব্রু খরা ত্রিপুরাগী ইলেক্টোরেল লিষ্টতা য়াওহনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। অদুবু অয়াম্বদি য়াওদ্রি হায়রি।

# ত্রিপুরা ইলেক্সনগী মাঙওইননা টি এম সীগী ষ্টার কেম্পেনর ৩৭ কী মমিং লাউথোকখ্রে



অগরটালা, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সি): থাঅসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা ইলেক্সন কেম্পেনদা হেন্না মপুঙ ফাহন্নবগীদমক ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ষ্টার কেম্পেনর ৩৭ কী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা মখোয়গী ষ্টার কেম্পেনরশিংগী মমিং অদু ঙসি লাউথোকখিবনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অসিদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী ষ্টার কেম্পেনরশিং থানবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসতগী ফংবা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমদি নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অভিসেক বেনর্জি থা অসিগী ৬ অমসুং ৭ তা ত্রিপুরাদা থুংলরগনি। ৱেষ্ট বেঙ্গল ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সুব্রতা বক্সি অমসুং লোক সভাগী এম পি সুদিপ বেনর্জিনা মীখলগী কেম্পেন চথগনি। মীখল অসিদা ষ্টার কেম্পেনরশিং ওইনা মমিং লাউথোকখ্রবশিংগী মনুংদা লোক সভাগী এম পি মহুৱা মোইত্রা, কাকলি ঘোস দষ্টিদার, মিমি চক্রবোর্টি, কোলকত্তাগী মেয়র অমসুং মিনিষ্টর ফোর অর্বান দিবলপমেন্ট এন্দ ম্যুনিসিপাল এফেয়র্স ফিরহাদ হকিম য়াওরি। মসিগী মথক্তা ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় কুনাল ঘোস অমসুং মিনিষ্টর সসি পঞ্জাসু ষ্টেট অসিদা অথুবা মতমদা থুংলরগনি। পার্টি অসিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু ত্রিপুরা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় অমনা হায়রি।

# নাগালেন্দ এসেমব্লি ইলেক্সন ২০২৩ গী মতাংদা ঈ সীনা নোটিফিকেসন থোকখ্রে

দিমাপুর, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সি): থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা ঈলেক্সন কিম্মসননা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

সীট ৬০ লৈবা নাগালেন্দ এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ঈ সীনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুদা মীখলদা মীরেপ ওইনিংবশিংনা মখোয়গী মীরেপ চে থা অসিগী ৭ ফাওবদা পীশিল্লকপা য়াগনি। নোমিনেসন ফোর্মশিং স্ক্রুনিং তৌবগী থবক্লা থা অসিগী ৮ দা ওইগনি। অদুগা মীরেপ জে পীশিনখ্রিবা মীরেপশিংনা মখোয়গী মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম্না থা অসিগী ১০ ফাওবা ওইগনি।

থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ভোট থাদবগী থবক্লা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা ওইগনি। ভোট মশিং থিবগী থবক্লা মথং থাগী ২ দা ওইগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ভোট থাদবা য়াবা মীগী মশিংনা ১৩,১৭,৬৩২ নি। মদুগী মনুংদা ২৪,৬৮৯ দি নৌনা ইনরোল তৌরকখিবশিংনি। সীট ৬০ অসিগী মনুংদা ঘসপানি এ সীনা ভোটর মশিং খ্বাইদগী হেন্না য়াম্না লৈ। হায়রিবা এ সী অসিদা পুন্না ভোটর ৭৪,৩৯৫ লৈ অদুগা ভোটর মশিং খ্বাইদগী হেন্না য়ামদবা এ সীনা মকোকচুং টাউননি। হায়রিবা এ সী অসিদা পুন্না ভোটর ৮,৩০২ খক্তমক লৈ। পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ২৩১৫ তা ভোট থাদনগনি।

# এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা লুপা লাক্ষ ৫ রোমগী লিক্কর ফাগৎখ্রে

অগরটালা, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সি): থা অসিগী ময়ায় চল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগা মাঙওইননা ষ্টেট এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা লুপা লাক্ষ ৫.১২ গী ওইগদবা ইল্লিসিট লিক্কর লিটর ২০০০ রোম ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

সী ঈ ওনা হিরম অসিগা মরী লৈননা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না মমাং থাগী ৩১ খক্তদা মীখল মতম নকশিল্লক্লবা ষ্টেট অসিদগী ইল্লিসিট লিক্কর লিটর ২০৩২.১৬৫ ফাগৎখিবনি। হায়রিবা ইল্লিসিট লিক্কর অসিগী মমলনা পুন্না লুপা ৫,১২,৬১৭ গীনি। ইলেক্সনগী মতম লাউথোকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা লুপা ২২,২৬,৯৬৮ রোমগী ওইগদবা পুন্না ইল্লিসিট লিক্কর লিটর ৯৮২৫.৮১৩ ফাগৎপা ঙমখ্রে অমদি তোঙান তোঙানবা কেস ৩০ রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

# পুলিসতগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা শোক্লে

নগাউন, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সি): দ্রগ লল্লোনবা নুপা অমা ঙসি পুলিসতগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পদগী অশোক অপন নংখ্রে হায়না নাগাউন দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসি অসামগী নাগাউন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দোবোকা নাহর ভিলেজতা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অদুগী মমিং শাফিরুদ্দিন কৌই। দ্রগ লল্লোনবা মীওই অদু পুলিসনা হান্না মশক খঙদোক্লবা মতুং মহাকপু ফাবা লাকখিবনি। মহাকপু ফাবা লাকখিবা পুলিস টিম অদু উবদা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। মদুদা পুলিসনা ৱার্নিং ওইনা ব্লেঙ্ক ফয়র তৌখি অদুবু মহাক মখা তানা চেন্নবা হোৎনখিবগা লোয়ননা মহাকপু ফানবা চেনশিনখিবা পুলিসতা মচিন তুম্বা পোৎলম শিজিন্নদুনা এটেক তৌরকপদগী নোংমৈনা কাপখিবনি হায়রি।

# বি জে পিনা অমুক হৈন্না লৈঙাক শেম্বা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি : সী এম মনিক সহা

আগরটালা, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সি): থা অসিগী ময়ায় চল্লকপদা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা ত্রিপুরা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংদুনা অমুক হন্না লৈঙাক শেম্বা হায়বসিদি শোয়দ্রবা ৱাফমনি হায়না চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা ঙসি মীয়াম মমাংদা ফোঙদোকখ্রে।

৬-অগরটালা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা থোক্লিবী পপিয়া দত্তগী দোর টু দোর কেম্পেনদা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা পপিয়া দত্তা বি জে পি পার্টিগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌদুনা লাকখিবী অমদি মীয়ামগীদমক মতম পুম্বদা লেপ্তুনা লাক্লিবা অমনি। ঙসিগী কেম্পেন অসিদা মীয়ামনা উৎলিবা নুংশিবা অমদি থল্লিবা থাজবা অসিনা মরম ওইরগা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা পপিয়া দত্তনা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বসি ময়েক শেংলে অমদি বি জে পিনা হান্নদগী সীট মশিং হেন্না মায় পাক্তুনা অমুক হন্না লৈঙাক শেমগনি হায়বসু ঙসি তিল্লিবা মীয়াম অসিনা তাক্লে হায়রি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্তা পৱার পায়রিবা বি জে পিনা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওই কয়াগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিনা মরম ওইরগা বি জে পিনা মফম খুদিংমক্তা মায় পাকপা ঙল্লিবনি। মসিগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরিবা অসিগুম্না মমাং মতমদা লৈরম্বা পি এম অমত্তনা তৌরমখিদে। হান্না লৈরম্বা লৈঙাকশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমবু মতম পুম্বদা মীরাইদুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি অৱাং নোংপোক লমদম লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শরুকশিংগা মপুঙ ফানা ফাওনবা ঙম্লে অমদি লালহৌবগী ওইবা প্রোব্লেমশিংসু হন্থহনবা ঙম্লে হায়রি।




আই এস ঈ এস এফ ঈ সী-২০২৩ গী মাঙওইননা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিসোর্স এন্দ সষ্টেনেবল দিবলপমেন্টনা কর্টেন রাইজর পাঙথোকখিবা

## CROSSWORD-3776



### ACROSS

1. Thinly scattered(6)
4. Each one(6)
8. Precise(5)
9. Side by side(7)
10. News(7)
11. Sheep noise(5)
12. Remiss(9)
17. Reside(5)
19. Circus performer(7)
21. Draw back(7)
22. Hit(5)
23. Scarcity(6)
24. Card game for four players (6)

### DOWN

1. Afternoon rest(6)
2. Forsake(7)
3. Lucifer(5)
5. Short moral story(7)
6. Wipe out(5)
7. Extensive landed property(6)
9. Attacker(9)
13. Chivalrous, dashing(7)
14. Size of popular newspaper(7)
15. Revered(6)
16. A sculptor's work(6)
18. Minor actor in crowd scenes (5)
20. Happen again(5)

Solution 3775



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5074

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | 2 | | | | |
| | | 8 | 6 | | 7 | | | |
| | 3 | | | | | 7 | 8 | |
| | 5 | | 3 | | 4 | | 9 | 2 |
| 9 | | | | | | | | 7 |
| 2 | 4 | | 7 | | 5 | | 6 | |
| | 1 | 7 | | | | | 4 | |
| | | | 1 | | 9 | 3 | | |
| | | | | 4 | | 6 | | |

### Solution-5073

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 3 | 7 | 8 | 4 | 2 | 6 | 9 |
| 7 | 4 | 9 | 6 | 2 | 3 | 1 | 8 | 5 |
| 8 | 2 | 6 | 5 | 9 | 1 | 7 | 3 | 4 |
| 2 | 3 | 4 | 1 | 7 | 5 | 6 | 9 | 8 |
| 6 | 8 | 5 | 9 | 3 | 2 | 4 | 7 | 1 |
| 9 | 7 | 1 | 8 | 4 | 6 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | 6 | 7 | 4 | 5 | 8 | 9 | 1 | 2 |
| 4 | 1 | 8 | 2 | 6 | 9 | 3 | 5 | 7 |
| 5 | 9 | 2 | 3 | 1 | 7 | 8 | 4 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR MEDICAL SOCIAL WORKER, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Job Location:
Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 14 February 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 6 Posts
Company Regional Medical Research Centre, NE Region
Job Role Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 6 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 3 years
Salary 15800 - 32000(Per Month)
Posted on 23 Jan, 2023
Last Date To Apply 14-02-2023
Educational Qualification: B.Sc
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 15800 - 32000(Per Month)
Age Limit: Maximum 30 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates must apply for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Regional Medical Research Centre North Eastern Region rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR SCIENTIST-C, TECHNICIAN-C, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Scientist-C, Technician C, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Scientist C, Technician C, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Scientist-C, Technician-C, More Vacancies
Total Vacancy 3 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 4 years
Salary 20000 - 67700(Per Month)
Educational Qualification: MBBS
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 20000 - 67700(Per Month)
Age Limit: Maximum 40 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates who are applying for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, must apply before the last date. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023.
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা :
সমসন সলাম

